# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 07-05-2025)**

**দিফেন্সঃ** লৈবাক অসিদা লৈরিবা নাগরিকশিং মশা ঙাকথোকচনবা কেন্দ্রনা রাজ্যশিংদা মোক দ্রিল পাঙথোকবা খঙহনখিবগী মতুং ইন্না ঙসি লৈবাক জিলা ২৪৪ দা মোগ দ্রিল পাঙথোক্লগনি। থৌরাং অসি খুঙ্গংদা ফাওবা পাঙথোকবা থৌরাং তৌরি।

অকাশবনি পাউনা হায়-সিভিল দিফেন্স এক্সরসাইজ পাঙথোকপনা মীচম মীয়ামশিং ঙাকথোকচনবা থৌরাংশিং পায়খৎনবনি। মোক দ্রিল অসিনা করিগুম্বা নোংথক্তগী লান্দারকপা মতমদা ইয়ার রেড ৱার্নিং পীরকপা মতমদা কয়া য়ামা কানহনগনি, ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকা হোটলাইন নৎত্রগা রেদিও কম্যুনিকেসন লিঙ্ক মপুং ফানা পাঙথোকপা য়াব্রা হায়বনচিংবা য়েংশিনগনি। মোক দ্রিল এক্সরসাইজ অসিদা মীচম মীয়াম অমসুং মহৈরোইশিংবু করিগুম্বা এটেক চথুরকপা মতমদা মশা মরোমদোম করম তৌনা ঙাকথোকচগদগে হায়বদু য়াওরি। মসিগী মথক্তা মৈ পুংমম মমখ্রবা মতমদা করি চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে, এটেক তৌরকপা মতমদা লৈবাক অসিগী মরুওইবা মফমশিং করমা উহন্দনা থমগনি হায়বনচিংবা য়াওরি।

মনিপুরদসু ওপরেসন অভিয়াস হায়না মিংথোনবা রাজ্য থাক্কী মোক দ্রিল অমা ঙসি নুংথিল পুং মরি তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ময়াংলাংবম রাজকুমার সিংহনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-নোংথক্তগী লান্দারকপা অমদি অতৈ থৌদোকশিং থোরকপা মতমদা করম তৌনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বদুগীদমক মোক দ্রিল অসি পাঙথোকপনি। মোক দ্রিল অসি জোনস্তোন হয়ার সেকেন্দরি স্কুল, ষ্টেট ম্যুজিয়ম, বি.টি. পার্ক, পোলো গ্রাউন্দ অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ ফয়ার সার্ভিসকী মফমশিংদা পাঙথোক্কনি।

চেরোল অদুনা হায়-মোক দ্রিল পাঙথোক্লিবৈঙে মতমদা নোংথক্তগী লান্দারক্কদৌরে হায়বগী চেকশিন্নবা সাইরেন খোঙবা, পুলিসকী খুথাংদা মীয়ামদা চেকশিন্না লৈনবা খঙহনবা, মী থিবা অমসুং কনবগী ওপরেসন, অমাং অতা থোক্লবা বিল্ডিংশিংদগী মীয়াম হোন্দোকপা, মৈ পুংমুৎ মুৎলকপা মতম, মতম খরগী ওইবা হোস্পিতালশিং শেমগৎপা, খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মফমশিংদগী মীচমশিংবু হোন্দোক্তুনা বঙ্করশিংদা থম্বনচিংবা থৌরাংশিং পাঙথোক্কনি। পাঙথোক্লিবা এক্সরসাইজ অসিনা করিগুম্বা নোংথক্তগী লান্দারকপা মতমদা মাংজোননা মীচম মীয়ামশিংনা করম তৌনা চেকশিন্না লৈগদগে হায়বগীদমক্তনি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা আইন অমসুং শান্তি রক্সা ঙাকবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-থৌবাল জিলাগী থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাংজিং তেকচমদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অনি, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরুশিং, ৱয়ারলেস সেট অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফংলে। রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা মীয়াম অমদি সরকারগী কর্ম্মচারিশিংদগী শেল খায়বশিং ফানবগীদমক অককবা পাউগী মতুং ইন্না থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। মসিগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলগী অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা অন্দ্রো খুমনগী চিংথক্তগী কে.ৱাই.কে.এল (সোরেপা) গ্রুপকী মীওই অনি ফারে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খোঙমন খাঙেম্বম লৈরক জোন ফাইবতগী কে.সি.পি (অপুনবা) গী মীওই অমা ফাখি। নুমিৎ অসিমক্তদা থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা য়াইরিপোক বজারদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফাখি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতনা ককচিং জিলাগী হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা

ৱাবগাই লমখাই বজারদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফাখি।

মনিপুর পুলিস ত্রাফিক কন্ট্রোল ৱিংনা চহি অসিগী জানুৱারীদগী এপ্রিল ফাওবদা ত্রাফিক্কী নিয়ম থুগায়বগীদমক ই-চলান ওইনা লুপা কোতি অমা লাখ ৭৪ লিশিং ৮৮,৬০০ খোমগৎপা ঙমলে হায়রি। রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী হুরানখিবা গাড়ি ১৬ মনিপুর পুলিসনা ফাগৎপা ঙমলে। মসিগী মথক্তা গাড়ি ৬৯ দা নপ্লম্বা টিনটেদ গ্লাসশিং লৌথোকখ্রে।

**ভাল্লা (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা ঙসি চান্দেল জিলাদা চৎকনি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেলনা শিনদুনা পাঙথোক্কদবা থৌরমদা রাজ্যপালনা দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরী-চান্দেল অমসুং জিলা অসিগী ওইবা মনিপুর আই.দি. সেন্টর শঙ্গাগনি।

দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্স মিণি সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাজ্যপালনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিং অমদি মফম অদুগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগা ৱারী শান্নগনি।

**সিন্ধুরঃ** পাকিস্তান অমসুং পাকিস্তান ওকুপাইদ কাশ্মিরদগী ভারত্তা এটেক চথুরকপা টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা ঙরাং নুমিদাং ভারত লান্মীনা ওপরেসন সিন্ধুর চথুখ্রে।

কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়-পাকিস্তানি মিলিটরিগী মফমশিং অমত্তা শোকহন্দুনা চথুখিবা ওপরেসন অদুদা টেরোরিষ্টশিংনা লৈবা  মফম ৯ অমাং অতা থোকহনখ্রে হায়রি।

হন্দক্তা জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী পাহলগামদা টেরোরিষ্টশিংনা এটেক চথুদুনা নেপালি মচা অমা য়াওনা মীওই ভারত মচা ২৫ হাৎখ্রবা মতুংদা কেন্দ্র সরকারনা ওপরেসন অসি চথুখিবনি।

অমরোমদা, হৌখিবা অহিং নোংয়াইদা ঙমখৈদা লৈবা পাকিস্তান লান্মীনা

আরটিলরি সেলিং য়াওনা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে। জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী আই.দিগা মায়োকবদা লৈবা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা কাপশিল্লকখিবা অদুদা মীওই মীচম অনি শিখি। অমরোমদা, ভারত লান্মীনসু চপ চানা খুৎ হনখি হায়রি।

ওপরেসন সিন্দুর মায় পাকা চঙখিবদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ অমসুং মনিপুরগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-এন. বিরেননা ভারত লান্মীবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-ভারত কম্মরসিএল হব অমসুং লল্লোন ইতিক্কী মফম অমা ওইনবা মাংলোমদা চংশিল্লি। ভারত অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমগী মরক্তা ফ্রি ত্রেদ এগ্রীমেন্ট সহি তৌনখিবা অদুবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-য়ান্ন ৱারোল অসিনা শেন্মীৎলোনগী থবক থৌরম হেন্না ফগৎহনবগা লোয়ননা ভারতকী করবারৱালাশিং অমসুং এম.এস.এম.ইশিংদা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি।

ন্যু দিল্লিদা টি.ভি. চেন্নেল অমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভারতনা য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটস, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং মাওরিসসকা লল্লোন ইতিক্কী মতাংদা য়ান্ন ৱারোল সহি তৌনরে। মহাকা হায়-ভারতনা মালেমগী লৈবাক কয়াগা শমদুনা থবক তৌরি।

হন্দক্তা মুম্বাইদা লোয়শিনখিবা ৱার্ল্ড ওদিও ভিজ্যেল ইন্টরটেনমেন্ট সমিট (ৱেবস) কী মতাংদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মেদিয়া, ইন্টরটেনমেন্ট অমসুং ক্রিয়েটিব ইন্দষ্ট্রিগী লমদা থবক তৌরিবা মালেমগী য়াম্লবা মীওই কয়ানা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। হৌখিবা চহি অহুম অসিদা য়ু ট্যুবনা ভারত খক্তদগী লুপা কোতি লিশিং ২১ হেন্না তানখি।

**খেল্লোঃ** খেল্লো ইন্দিয়া য়ুথ গেমসতা মহারাস্ত্রনা সনাগী তকমান তরুক য়াওনা তকমান ১৯ ফংদুনা মেদল টেলিগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি।

রাজস্থাননা সনাগী তরুক, লুপাগী অমা অমসুং শেঞ্জেংগী অমা ফংদুনা অনিশুবদা, করনাতকনা সনাগী মঙা পুন্না তকমান ৮ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

ঙরাং শান্নখিবা ফুটবোলদা ঝরখন্দনা দিল্লিবু পাঞ্জল ১-০ দা অমসুং মিজোরামনা বিহারবু পাঞ্জল ৬-১ দা থোইখি। আচ্যরিগী ফাইনেল মেটচশিং ঙসি শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সম্বিত পাত্রা নেমচা উন্নরম্লগা দিল্লিদা হনখ্রে। এম.এল.এশিং কেম্প তৌবা হৌনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইনি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদনা-কোটুনা সম্বিত পাত্রাদা সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিমান্দ য়াওবা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়না ফোংবা থেংনরে। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদনা-বি.জে.পিগী নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ সম্বিত পাত্রা হনখ্রে, পি.আর. থুপচিল্লগা লৈঙাক শেম্বগী ৱাফম অমত্তা পল্লমদ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি। পাউ অসি হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস, গানফিয়ু মেল য়াওনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরক্লি। পাউ অসি মোরনিং বেলদনা-এম.এল.এ. ২১ উন্নরমদনা সম্বিত পাত্রা দিল্লিদা হনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি।

হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন অসি ইন্দিয়াগা পাকিস্তানগা লান শোকরগদ্রা হায়বগী মীপায়বাঃ ঙসি ইন্দিয়াগী মফম ২৫৯ দা পাঙথোক্কদবা মোক দ্রিলগী মনুং চন্না মনিপুরগী মফম মঙাদসু পাঙথোক্কদৌরি হায়না ফোংবা থেংনরে। হেদলাইন অসিগী মখাদা সব হেদলাইন ওইনা নুংথিলদা ফয়ার সার্ভিসনা খ্বাইদগী হৌবা ইমর্জেন্সি সাইরেন খোঙগনি। মোক দ্রিলগী মনুং চন্না বোম পোকখায়বদা অশোক অপন য়াওবশিং লায়েংগনি। চাক্লকপা মৈ ফয়ার

সার্ভিসনা মুখৎকনি হায়না ফোংলি।

পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মখলগী হেদলাইন পীদুনা অয়াম্বা পাউচেশিংদা ফোংবা থেংনরে।

সঙাই এক্সপ্রেস (মনিপুরি) গী অহানবা হেদলাইন অসি হোৎনরবসু ইম্ফালদি অমোৎ অকায়না পীক থল্লি। সিঙ্গল যুজ প্লাষ্টিক কিলোগ্রাম ৪৩০ ফাগৎখ্রে, মী ২৩ ৱার্নিং তৌখ্রে হায়না ফোংলক্লি। পাড অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগীসু অহানবা হেদলাইন ওইরি।

পাহলগাম এটেক্কী মাংওইননা ইন্টিলিজেন্স রিপোর্ট লৈখি হায়বগী মতাংদা কংগ্রেসকী লুচিংবা মালিক অরজ্ন খর্গেনা ফোংদোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইনি।

মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট থা অসিগী মনুংদা খল্লবা য়াই হায়না নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মহারা নরা সিংহগী ২৩৩ শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে। মচোই মচোই তান্নবগী মহুৎতা ইরৈবাক কন্নবা পুনিশিনসি হায়না এম.পি. সনাজাউবনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন পীরি।

তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন অসি এপ্রিল ৩০ দা থোকখিবা হিংশাগী থৌদোক্কা মরী লৈননা পিছ কমিতি তমেংলোংনা শিনদুনা দাইলোং খুল, দুইগাইলোং খুল অমদি তমেংলোং খুল অহুমনা শান্তিগী খুৎয়েক পীনখ্রে হায়না ফোংলি।